# “মণিপুরসি ইন্দিয়াগী শরুক অমা নত্তবরা”



ইমা লৈবাক্কীদমক্তনি

**উশম ধরমেন্দ্র**

ঈংনা-চিক্লা লৈজগদবা ইরমদম মণিপুরসি নমদুনা হেক ঈরাং থোকহন্দুনা তংদু-লৈতানা লৈহন্দেদা। হৌখিবা কুমজা ২০২৩গী মে ৩দগী হৌরকখিবা ঈরাং ঙসিসু লোইদ্রি। তমথীবা মীশি-মীনা থোক্তুনা লাক্লিবদু ঙসিসু লোইদ্রি। লোইখিরোই। মরমদি লানসি লোইশিন্নবগী ৱারোইশিন অমত্তা উবা ফংদে। মদুগী মরী লৈনবা লন্বী য়ুনিয়ন লৈঙাক্লাময়েক শেংনা য়াৎপগী মমি উদে। নুমিৎ খরনিগী মমাঙদা মীতৈ এম এল এশিং, নাগা এম এল এশিং, কুকি এম এল এশিং দেল্লীদা কৌরগা ঈরাংসি লোইশিন্নবা হোৎনবগী মওং অদুদি তৌরিবা হায়দুনি। মদুনদুম হেন্না লমদমসিগী পূন্না খুন্দামিন্নরিবা মীয়ামদা খাইবুং-খাইবুং তান্নবা শিনবা থৌওংনি। মদুদা নেশনল মীদিয়াশিংনা হেন্না থৱায় য়াওশিল্লি। সেদ্যুল্ড ত্রাইবকী, জেনরেল কেটগোরিগী হায়বফাওবা কদাইনো হায়রগা পার্টিগী লাইন্দা অদুমক মমিং পনবীয়ু অদুদি নত্তে। অদুম তৌরবদি নরেন্দ্র মোদিসু গুজরাতি নরেন্দ্র মোদি হায়না হায়রকপদা করিবু অকায়বা লৈরিবগে।

ইরমদম মণিপুরসিগী ঈং-তপ্পদা শীংনবা ঙাক্তনি থেঙ্খাং কয়ালক্তা থেংনদুনা লাক্লিবসি। ঙসিনা কুকিশিংগী শীংনবা/নাগা নত্তবা ত্রাইব পূন্নমক শুপকোন-কোনশিন্নবা কুকিশিংনা হোৎনৈ। অদুবু মদুদা ঐখোয়দি য়াওদে। ঐখোয়দি তোঙানবা আইদেন্টিটি লৈজবা কাঙলূপ-ফূরুপনি হায়বসু য়াওরক্লি। ঙা অচৌবনা ঙা মচাশিংবু য়োৎশিন্নবা হোৎনবা মসিদি হৌনশা ওইদুনা অদুমক লাক্লি। অমুকসু মতিং লৈবা ফূরুপ ওইরবদি মশাগী নাৎ, চৎনবী ঙাক্তুনা তোপ-তোপ্পা মশাগী আইদেন্টিটি মাঙহন্দনা হিংবা ঙম্মী। ইশাগী চৎনবীসু ঙাকপা, পূন্নসু হিংমিন্নবা ফূরুপ অমনা অমবু ইকায়খুম্নমিন্নবা মসিনি হিংমিন্নবদা য়াম্না মরু ওইরিবসি। অমুকসু ঐগী ফূরুপ্তা মাঙজিল থাগদবনি অমসুং হৌরকফম মান্নবা ঐখোয় মশেল পূনশিন্নসি হায়বগী মঙলান কয়াসু শাগৎনরক্লি। মদুনা হান্না লৈজরম্বা পোলিটিকল বাউন্দরিশিংদা শীংনবা অমা থোকহল্লি। মদুমক্লি মিজোরামগী চীফ মিনিষ্টর লালদুহোমানা সেপ্টেম্বর ৪দা য়ু এসকী মফম অমদা পীখিবা স্পীচতা চিন-কুকি-জো অসি লৈবাক অহুম্না তোখাই তানা থম্বীরে, মদু য়াবা ঙম্লোই। পুনশিনগদবনি হায়না ফোঙদোক্তুনা নীংতম্না লৈজরিবা লৈবাক্কী ঙমখৈদা শীংনরিবসি। মহাক্কী ৱাফমসিনা মণিপুরগী ঙমখৈদা চাউনা ফোঙনা শীংনরে। মণিপুরগী ঙমখৈদা শীংনবা ইন্দিয়াদা শীংনবনি। ইন্দিয়াগী মনুংদা লৈরিবা ষ্টেট অমগী চীফ মিনিষ্টরনা অসিগুম্বা ৱাফম ফোঙনা ফোঙদোক্লা ফাওবদা য়ুনিয়ন লৈঙাক্লা করি তৌদুনা লৈরিবগে। ঈরাং থোক্লিবা মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টরনা ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর উনদুনা মসিগী ৱারোইশিন পুরক্নবা হোৎনবদা প্রাইম মিনিষ্টরনা উনবগী তাঞ্জা পীদে। মণিপুরগী চীফ মিনষ্টরনসু মফি কল্লগা শাউনা হল্লকপা ঙমদে। নাকল অমরোমদা মিজোরামগী চীফ মিনিষ্টর লালদুহোমানদি প্রাইম মিনষ্টির নরেন্দ্র মোদিগা তেল্লবা মতমসিগী মনুংদা অহুল্লক্তগী তাদনা উনখ্রে। ঈরাং থোক্লিবা য়ূম মৈ চাক্লিবা মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টরগা উনদুনা ঈরাংসিগী ৱারোইশিন পুরক্লবদি হোৎনদবা অদুগা মণিপুরগী থোক্লিবা ঈরাংসিদা মৈ য়াংশিল্লিবা মিজোরামগী চীফ মিনিষ্টরগদি উনবসিবু লৈবাক অমগী মালেমদা দেমোক্রেসি চৎপা খ্বাইদগী চাউবা লৈবাক লৈবাক অমগী প্রাইম মিনিষ্টর অমগী হৌন-লোনচৎলা। সিবো ‘মেরা ভারত মহান’ লা।

প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগী লুচিং মখাদা ইন্দিয়াদগী টেররিজম মরূ ফংনা মূখৎকনি তাবদা ওন্থোক্লা ফজখ্রবা য়ুনিয়ন লৈঙাক্কী ৱাফম্নি। মণিপুরদা কুকি মিলিটেন্টশিংনা চত্থরিবা থৌওংসিদি করিনো। তূমদুনা লৈজবা মী ফাওবা হাৎলিবা, হিংনা-হিংনা মৈ থারিবা, খূৎলায় পায়জদবা মীচম মীয়ামদা খূৎ থারিবসিদি টেররিজম নত্তবরা। মালেমগী তমথীরবা টেররিষ্ট ওর্গনাইজেশনশিংগী মীওইশিংনা ফাওবা অতূম্বা মীদা খূৎ থাদে। মণিপুরদা কুকি মিলিটেন্টশিংনা চত্থরিবা টেরর এটেকশিং খঙশিন-উশিন্নদনা অদুমক লাক্লি। হৌখিবা কুমজা ২০২৩গী মে ৩গী মতুংদগী শাফোঙলকখিবা কুকিগী ফ্রন্টেল ওর্গনাইজেশন অনী চুড়াচান্দপুরগী আই টি এল এফ অমসুং কাংপোকপীগী কোটু অনীসিনা তৌনীং-তৌনীংবা থবক কয়া তৌরি। মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টরনা কাংপোকপী ফাওরগা চৎপা য়ারোই ফাওবা হায়রক্লি। কয়াদা উশিৎ থৌওইদনা থল্লক্লিবা ৱাফম্লো, কুকি মিলিটেন্টশিংনা কন্ট্রোল তৌরিবা মফমশিং অসি মণিপুর গভর্ণমেন্টকী মনীং তম্লবা এরিয়াশিংনা । মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টর মীতৈনা ওইবা য়াই, ওইনীংবা মী অমনা ওইজসনু মদু মণিপুর মীয়ামগীনি, কন্সটিট্যুশনেল পোষ্টনি। মহাকপু পূন্নমক্লা ইকায় খুম্নফম থোকই। মদু ফাওবা খঙদবা কুকিগী ফ্রন্টেল ওর্গনাইজেশনগী মীওশিং করিদা নৈনবীবা লাইরিক্লো। অমরোমদা মদুদা এক্সন করিমত্তা লৌখৎতবা ষ্টেট গভর্ণমেন্টসিসু অঙকপা অমনি। য়াম্না শোনমনখ্রে।

মণিপুরদা থোক্লিবা ঈরাংসি য়ুনিয়ন লৈঙাক্লা অথুবা মতমগী মনুংদা লোইশিন্নবা হোৎনফম থোকই। নুপীবু অৱাংবা থাক্তা থম্নবা হোৎনরিবা ‘নারি শক্তি’ হায়দুনা ঙাইহাক লৈতনা লাউরিবা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা মণিপুরদা নুপীশিংনা নংলিবা অৱাবা, মীশি-মীনা খঙশিন্নদনা লৈবা হায়বসি য়াম্নমক লাইবক থীবনি। লৌরোক থাসিদা লৌবুক্তা থবক শূজরিবী নুপী কুকি মিলিটেন্টশিংগী নোংমৈ মরূনা পান্দুনা শিরবনি। মমাঙদসু অসিগুম্বা কয়ামা থোকখ্রবনি। তুংদসু কয়ামা থোক্লখিগনি, করম্বা নুমিৎতা কনাগী পালি ওইগদগে হায়বা তম্বা ঙম্নদ্রিবনি।

লোইশিল্লকপদা, মণিপুরদা নার্কো-কুকি-টেররিষ্টশিংনা নমদুনা থোকহনবা লান চহী অমগা থা তরেৎ শুজিল্লক্লে। কুকি মিলিটেন্টশিংনা নোংমৈ, বোম কাপ্পা হেক লেপ্পগা লান লেপ্পবোই নীংবনি। লান লোইদ্রি, পোথা-পোথা শমথরি। লান লোইখিরোই। মরমদি লান লোইশিন্নবা য়ুনিয়ন লৈঙাক্লা অকনবা থবক লৌখত্রি। ষ্টেট লৈঙাক্লা শক্তি য়াওদ্রে। মসিনা মরম ওইরগা মীতৈ মীচম কয়া শিরি-শিখিগনি। টেররিষ্টশিংগী মখূৎতা শিবা মীওইশিংগী মফমদা অৱাবা ফোঙদোকপা ইন্দিয়া অমদি অতৈ মফমদা ওইরবদি য়ুনিয়ন লৈঙাক্লা তৌই। মণিপুরদা থোকপা থৌদোক্তি খঙশিন-উশিন্নদনা লৈরি। মণিপুর অসি ইন্দিয়াগী শরুক অমা নত্তবরা হায়বা ৱাফমসি থমজরি। ●

# ৱিল্লিয়ম সেক্সপিয়রগী দ্রামাদগী হেন্না ফাওবা

## - দ্রামা মণিপুর ক্রাইসিস -



**- রঞ্জিৎ নিংথৌজা -**

ইংলেন্দগী ষ্ট্রেটফোর্দতা কুমজা ১৫৬৪দা পোকখিবা অদুগা কুমজা ১৬১৬তা তাইবঙপাল থাদোকখিবা শুপ্নতগী চহী ৫১ খক্তমক হিংলম্বা অইবা অসি লাইপোক্লি হায়না ঙসিসু মালেমগী মীয়াম্না শীংথানরি। মহৈ-মশীংগী থাক থোইনা ৱাংখিদ্রবসু মাগী কোক্কী খলদি ফলাদা থাঙ্গৎলুবদা নমথবীনবা অরূম্বা ঙসি ফাওবা থিবা ফংদ্রিবা অমনি। কেম্ব্রিদজ য়ুনিভর্সিটিগী অফবা মহৈরোয় ওইনা শীংথানরিবা ফ্রান্সিস বেকোন, ওক্সফোর্দ য়ুনিভর্সিটিগী দ্যুক, খৃষ্টোফর মারলোনচিংবনা সেক্সপিয়রনা অসিগুম্বা লীলা (দ্রামা) ইবা হৈগনি হায়বা থাজখিদে। করিগুম্বদা মীয়াম খঙনা নৎত্রবসু মচিন্নদি শোন্নখি, দ্রামাশিং অসি কনাগুম্বদগী শিন্দোকপা নৎত্রগা কনাগুম্বনা ইরগা মাগী মমিং পানশিনবা ওইরম্বা য়াই হায়নফাও খন্নখিবা লৈ। ৱাফম অসি সেক্সপিয়রনা পোক্লম্বা চহী ৪০০ রোম শুরকপদা হেন্না-হেন্না চয়েৎনরকখি। কনাগুম্বা খরনা মাগী মোংফম তৌথোক্লগা মাগী খূৎই থিসি হায়না ফাওবা হায়নখিবনি। অদুবু ফাগিগী ৱা ঙাঙগনবা অমেরিকা মচা মার্ক ত্বেননা অসুম্না ফোঙদোকখি-সেক্সপিয়রগী দ্রামাশিংসি মানা ইবা নত্তে, দ্রামা অদুগী অইবা সেক্সপিয়রনি হায়না লাউনা হায়রকখি। মাগী ফাগি ওইবা ৱাহৈদুদগী সেক্সপিয়র অমদি মাগী দ্রামা অনীসিদা লৈরম্বা চয়েৎনবা পূন্নমক লোইশিনখি হায়নসু লৌনৈ।

হায়নীংলিবদি দ্রামা ইবশিংগী মরক্তা সেক্সপিয়র অসি লাইপোক্লি হায়বনি। মানা অসি য়ৌনা ফাওরিবগী মরম করিননো হায়বা তারগদি মাগী দ্রামাগা অয়েংবশিংগা লেঙ্গোন্নরগা চৎমিন্নবা ইরায় লায়না ঙম্মী। ইমুং অমগী থৌদোক ৱাথোক্তগীনা খুন্নাইগী শেন্মীৎলোন অমদি লৈঙাক্লোন কয়া অফবা উসবকী মথেল-লুকোয়গুম্না অমত্তা চিথদনা মহাউ লৈনা পীজবা ঙম্মী। কপ্পা-নোকপা, অকিবা-তুজুংবা, ৱাহং হংবা, পাউখুম ফংবা, কিশিল্লিবা কিশি থোকপা মচল য়াম্না শুই। লমদমসিগী মীয়াম্না ইরোনববু অহাওবা মথেল ওইনা পাম্নবগুম মালেমগী মীয়ামদা সেক্সপিয়রনা ৱাখল ইরোনবগী মহাউ মাগী দ্রামাশিংদা হাপখি।

ৱিল্লিয়ম সেক্সপিয়রগী মমিং লৈখ্রবা দ্রামা খরদি - হেমলেট, মেকবেথ, রোমিও জুলিএট, জুলিয়স সিজর, কিং লিয়র অসিনচিংবনি। সোনেট ১৫৪, অশাংবা শৈরেং মরিসু ইখি। সেক্সপিয়রদি মঙোন্দা কৃটিক তৌগদবা মীবু কিদুনা মখাক থম্না ইখিবা অইবা অমা ওইখিদে। মানা খল্লিবা অদুমক য়েংগদৌরিবা মীয়াম্বু হরাওনা উহনবা, ৱাখল খলহনবা অদুনি। মদুসু মাগী ইংলেন্দ লৈবাক্কী মীয়ামদুখক্তা উখিদে। মালেম অসি দ্রামাগী ফম্বাক অমনি খনখি। তাইবঙপান অসিগী জাৎ-কুচু তোঙান্নবা মীয়াম অসিমক মাগী ওদিএন্সনি হায়না খনখি। মালেমগী মীয়াম্না মানা পোক্লম্বা নুমিত্তগী ঙসি চহী ৪৬০ শুরল্লবা মতমসিদসু লোল কয়াদা মাগী দ্রামা শান্নরি। মসিনা তাকপদি ৱিল্লিয়ম সেক্সপিয়রসি মালেমদা খ্বাইদগী ফরবা অইবা অমনি হায়বদা য়েৎননীংঙাই ওইদ্রবা মীওইপোক অমনি।

অদুবু হন্দক্কী ঐখোয়না উমিন্নরিবা ‘মণিপুর ক্রাইসিস’ কৌবা দ্রামা অসিনদি সেক্সপিয়রগী দ্রামাগী রেকোর্দ পূন্নমক থুগাইবা ঙমখ্রে। সেক্সপিয়রগী দ্রামা অমনা পুং ২দগীনা ৩ ফাওবা উৎপা ঙম্মী। অদুবু ‘মে ৩, ২০২৩’ দগী হৌখিবা ‘মণিপুর ক্রাইসিস কৌবা দ্রামা অসিদি থা ১৮ হেল্লে, লোইদ্রি। থোকখি-থোকখিদে নৈনরিবা মহাভারতকী লানসু নুমিৎ ১৮নি খক্তনি। রাম অমদি রাবনগী মরক্তা থোকখিবা লানসু নুমিৎ ৮৭নি খক্তনি। হৌজিক্কী মণিপুর ক্রাইসিস অসিদি নুমিৎ ওইনা পারবদি নুমিৎ ৫৪০ হেল্লে। মুনি ব্যাসনা মহাভারত ইখি। হুরানবা রত্নাকরনা বাল্মিকি মিংথোল ফংলগা রামায়ন ইখি। ঙসিগী মণিপুর ক্রাইসিস অসি রত্নাকর অমদি ব্যাসকুম্বা শক্লাইরবা অনীনা নীংথিনা শেম-শারবা দ্রামা ওইরম্বা তাই হায়বসি ঐখোয়গী মীয়াম্না খনবা হৌরকই।

মণিপুরদা ৱেব সিরিজগী ঈহৌ অমা লাকই। ক্লাস ফাইভতগী ত্বেলভ ফাওবগী অঙাংশিংবু লাং থাক্তুনা ফাবগী মওংদা চত্থনরি। ক্বা য়াম্না চাগনবী, রীল য়াম্না শেমগনবী কয়ানা পোৎহাপ ওইনা পুমঙাও ঙাওমিন্নবা ৱেব সিরিজনি। অদুবু হৌজিক্কী ‘মণিপুর ক্রাইসিস’ কৌবা দ্রামা অসিনা ৱেব সিরিজ ওইনা চত্থবসিদি মালেমগী অরোইবা লাঞ্জাও য়ৌবা নুমিত্তু ফাওবা চত্থগদৌরিব্রা? থবক শূজবা মীঙোন্দা নোংমৈনা কাপ্লগা হাৎপসি তৌশিন্নবা দ্রামাদফাও ভাইওলেন্সনি হায়দুনা হাপ্লদে। হৌজিক্কী দ্রামাসিদি তাঙলবা মীওইবগী মপোকপু শা-ঙাগুম্না হাৎলবসু কন্দেম ফাওবা তৌদে। চীঞ্জাক ওইরিবা লৌ শূবা ঙমহন্দবসি ক্লাইমেক্স সিন ওইনা উৎলি। পোলোইদা চাবা ফংদবগী মী মশেল শেৎ-শেৎতুনা চানবা অদুনা দ্রামা অসিগী মেসেজ ওইহনগদৌরিব্রা? লমদম অসিগী মীয়ামসি এন্টি নেশনল নমদুনা ময়োল্লম্না ওইহনগদৌরিব্রা হায়বগী চিংনবা থা ১৮ শুরকপগী ইপিসোদ য়ৌরকপদা মীকপ মীরাওখোল লোয়নরবা মীয়ামসিনা অমগা-অমগা ওনশিন্নদুনা হংনরি।

হূইবু না ফমুংদা তূম্মিন্নবা, মচা-মশুবুনা ফৈজুপ-কাঙ্খল পীবিদবা শুমাং-মাঙ্গোলদা ইন্থোক্লগা থম্বা মানবা ঙসিগী দ্রামা অসিদি তুংগী মীরোলনা তিন শিংনহৌবা নত্তনা সেক্সপিয়রগী হেমলেট নৎত্রগা মেকবেথগুম মাগী-মাগী মরোলদা মশা-মশাগী কলচরদা য়ূম্ফম ওইরগা পুথোক্কদবা থিএটর গ্রুপ অমত্তা থিবা ফংগনি থাজদে। শেঞ্জাও পায়বশিংনা সিনেমা ওইনা নল্লবসু অসুক য়াম্না হ্যুমেন রাইটস খোঙ্গাওনরিবা ৱারী অসি সেন্সর বোর্দনা সেন্সর সর্টিফিকেট পীগদবা ৱারী অমদি ওইদ্রে।

হৌজিক লুরিবদি দ্রামা অসিগী অইবা অমদি দিরেক্টর মশক খঙনরকপা অসিনি। সেক্সপিয়রগীদি মাগী মপোক নুমিৎতা মাগী লৈবাক ইংলেন্দদা নত্তনা মালেমগী থিএটর গ্রুপ কয়ানা থৌরম পাঙথোক্লরি। ‘মণিপুর ক্রাইসিস’ কৌবা লোইশিনবা হৈত্রবা ৱেব সিরিজ অসিগী অইবা অমদি দিরেক্টরগী মপোক নুমিৎতা নীংশিং থৌরম পাঙথোক্কদ্রা নৎত্রগা কন্দোলেন্স সর্ভিস ওইনা তৌবা পামগদ্রা হায়বদুদি ঙসিগী মীকপ-মীরাওখোলগা লোয়ননা হিংলিবশিং অসিগী মচা-মশুশিংনা লৌনীংবা ফিরেপ অমা লৌজখিবা তাবনি। তৌবতবু সেক্সপিয়রবু লাইপোক ওইনা শীংথারবসু ‘মণিপুর ক্রাইসিস’ কী অইবা অমদি তাকপী-তম্বীবদি ‘ভুট প্রেট’ ওইনা নীংশিংনহৌরনি। ●

# মায়থীরবা লান্মী অমা - ৩

**- সামোম রঘুমনি -**

জেনেভাদা পোকখিবা হেনরি দ্যুনান্টনা লাননা মরম ওইরগা শিখিবা অমদি শোকখিবা লান্মী কয়াগীদমক মীওইবগী ওইবা মীনুংশিগী পাঙ্গল শাগৎতুনা অৱাবা মায়োক্লরবা মীয়ামগী পূন্সি হেন্না ফগৎহন্নবা হোৎনবদা শেমখিবা ‘দ ইন্টরনেশনল কম্মিটি ওফ দ রেদ ক্রোস’ কী শরুক অমা ওইনা ইশাদা চেল্লিবা ঈ মরীক খরা অশোন-অনাগীদমক কথোক্কে খল্লিবা ৱাখলনা অরেম্বদা তারবদা মায়থীরবা লান্মী অমগুম চাক্লা খাঙলি। হোস্পিটালগী থৌমীশিংনা মথৌগী চৎনরিবা কোরিদোরদুদা ঐসু তৌফম খঙদা হঙ্গৎ-হন্দা চৎলিঙৈদা ঐঙোন্দগী সিনিয়র ওইবা তাদা ইবোহলনা,

“ওজা রঘু নঙগীদি কমদৌরে। লোইরবরা?”

“তাদা, ননাও পাম্বে লৈতে। লানফমদুগী গেট-কীপরনা ঐ চঙবা য়ারোই হায়না থিংলে।”

“করিগী?” মানা ঙক্লা ঐঙোন্দা হংলকই। “নঙগী চে-চাং শুনা পুরক্তবরা?”

“পুরকই তাদা, চহী ৬০ নকয়া অমদি ঙসিসিনা অহানবা ওইবননি।”

মানা মোমোন নোক্লগা হায়রকই, “হয়েং অয়ূক্কী পাউচেদা মিং য়াওররোই।”

ঐসু নোক্লিংদনা খুম্লুই, “য়াওররোই তাদা”। ঐনা খল্লুই চহী ৬০ য়ৌরবা অহল ওইরবা অমনা পূন্সিদা অহানবা ওইনা ব্লদ দোনর ওইখি হায়বদো।

“করিসু খল্লুরনু ইনাও ইবুংঙো, লাইবক্লা তমদ্রবনিনা। লাকও চানবা অমা পায়নবা ইতুং ইল্লকউ” হায়রগা সেমিনার হোলদা চঙখ্রে। ঐ তাদা ইবোহলগী মতুংইন্না চৎন-চৎনা হায়, “ঐগী মিসন মায় পাক্ত্রবসিদা অথেনপোৎকা লোইনা খিরে তাদা” অচৌবা হোলদুদা হান্না লৈরম্বা সোসাইটিগী চ্যেরমেননা হংলকই, “করিনো? নখোয় অনীনা ঙাঙনরিবদুবো। হা ভি সী?”

“তামো ঐখোয়গী ইনাও রঘুসে ঙসি পাঙথোক্লিবা ব্লদ দোনেসনসিদা নহানদগী ঈ পীনি হায়না খল্লগা মফম অসিদা লাকপনি। ডাক্তরনা চহী য়াল্লে, অহানবসু ওইবনা পীবা নুংঙাইররোই হায়রে। অদুনা চানবা ঐখোয়না লাঙলিবসে লৌবা পামদ্রে হায়রি।”

ভি সীগী পাউখুম ওইনা চ্যেরমেননা নোকফেৎ তৌরগা, “ইনাও ইবুংঙো করিসু খল্লুনু। রিফ্রেসমেন্টদি লৌবদা করিসু অকায়বা লৈতে।”

ভি সী তাদা ইবোহলনা অমুক মরক থৎলকই, “ঐসু অদুম্না হায়রিবনি চ্যেরমেন। ঙাঙনরিবা ৱাফমসি হোলদুদা লৈরিবা দোনরশিংনা মাগী-মাগী টেবলশিংদা ফমদুনা চানবা মতম্নি। ঐনা হায়রুরি, “তামো, ঙসিগী ঐঙোন্দা থোক্লিবা থৌওংসে তশেংনা থম্মোয় শোকই, পেন্দে। ঐ ঙসিদি য়ূমগী নুপী য়াওনা কনা অমত্তা খঙহন্দে। চাক ফাওবা ইশানা থোংদুনা চারগা লাকপনি। মরমদি হোরেন ঐনা ইশাগী ঈ দান তৌরুরবা মতুংদা ডাক্তরনা পীবা শক্তাকচে পায়রগা মখোয়দা উৎকে হায়বসিনি ঐগী ৱাখলদি। অদুবু মফম অসি য়ৌবা মতমদদি ঐগী ৱাখলগী মঙলান অরেম্বা তারে। ইশাগী চহী ৬০দি লাল্লে। অদুগী মথক্তা অহানবসু ওইবনিনা পীরগুমসি অসিনি। ঙরাং নহালদগী ঐ ৱাখলদা শাগৎচরম্বা মঙলান্দো মফম অসি য়ৌরকপদদি অদুঙৈগী খোংজোমগী লানফমদা পাওনাগী সেবক চিংলেনস্নাগুম মাগী ওজা ইবুংঙোগী মতুং ইনবা ঙমহৌদ্রবা মায়থীরবা লান্মী অমগা পাঙ্খক ওইহৌরে তামো।”

চ্যেরমেননা মরক থৎনা, “ৱা-ৱা থাগৎনীংঙাইনি নঙগী ৱাহৈ ফাওবদি ফজৈনে হা।” ঐনা অমুক, “অদুনা তামো, নীংবা কায়রবা ঐনা দোনরশিংগীদমক লাঙলিবা অচা-অথকশিংসে লৌদুনা ঐগী আত্মাবু অমুক হন্না ইকায়বা পীবা পামদ্রে।”

“হায় অপঙবা, রিফ্রেসমেন্টদি চানবনিনে নঙবো। কনা লৈ, হায় ইবেম্মা, নখোয় তামো রঘুগী চানবা অমত্তা পীরকউ।”

মপান্দা লৈরিবা ভোলন্টিয়র অমনা রিফ্রেসমেন্ট অমা ঐগী মাঙগী টেবলদুদা থম্লে। চ্যেরমেননা মখা তারকই, “ঐসু ঙসিগী দোনর নত্তে। অদুবু চারিবসিনি।”

মাঙদা লৈরিবা অথেনপোৎতুদা য়েংলগা, “ঐগী ইখূৎসিনা লৌরগা চাবসি ঐগী হকচাংগা লোয়নরিবা আত্মাসিনা য়ানীংগদ্রা খঙদ্রে তামো?”

“নখূৎনা নৎত্রবদি নয়ানা লৌগে হায়রিরো” চ্যেরমেনগী ৱাহৈদুদা লৈরিবা ময়ামদো ৱা লাউনা নোকপদা ঐসু য়াওরুরি। মশাগী ঈ মরীক অমা মীয়ামগীদমক কথোক্লুবগী নুংঙাইবদা ময়াম্না নোক্লি, ঐগীনা কদাই? ●

# মীতৈগী পুয়া ‘নিঙ্থৌলোল্ লম্পুপা’

## (নিংথৌরোল লম্বুবা)-(৩৬১)

(পুয়াগী অরিবা ময়েক্তগী বাংলা ময়েক্তা চনম হেমচন্দ্রনা লায়থোক্লা ইথোকপা অসি মীতৈ ময়েক্তসু নুমিৎ খুদিংগী ইথোক্তুনা ফোঙজরগনি।)

লোললোই লমদম ইমথোংদা। হুয়েল লালদা খৌশাবনে। নাপুবা লৌথোংজাও। থোংজাও লাইরোকলেল। লোললোই লমদম ইমথোঙ। খুরোই হাওরা লমমাংদোং ও। মিংথোল মিংকৌখিবদি করি তৌখিবা নুমিৎতগীনো। খুমল হায়নু থুমবা চনু শিঙথা ৱাই। অদোল নোংয়াই হায়নুনমপা চনু। শিঙ থাবা লম। মকু ইবুংঙোগী মচানিপা। নোংয়াই হাওকোকথোং তাওহুইয়াঙনা। পামেল উয়ুঙ উবু শীংজলনা। শীংবী শীংলেল খায়না পৈনা থমবা লম। ●

# ꯃꯤꯇꯩꯒꯤ ꯄꯨꯌꯥ 'ꯅꯤꯡꯊꯧꯂꯣꯜ ꯂꯝꯄꯨꯄꯥ'

## (ꯅꯤꯡꯊꯧꯔꯣꯜ ꯂꯝꯕꯨꯕꯥ) -(꯳꯶꯱)

(ꯄꯨꯌꯥꯒꯤ ꯑꯔꯤꯕꯥ ꯃꯌꯦꯛꯀꯤ ꯕꯥꯡꯂꯥ ꯃꯌꯦꯛꯇꯥ ꯆꯅꯝ ꯍꯦꯃꯆꯟꯗ꯭ꯔꯅꯥ ꯂꯥꯏꯊꯣꯛꯂꯥ ꯏꯊꯣꯛꯄꯥ ꯑꯁꯤ ꯃꯤꯇꯩ ꯃꯌꯦꯛꯇꯁꯨ ꯅꯨꯃꯤꯠ ꯈꯨꯗꯤꯡꯒꯤ ꯏꯊꯣꯛꯇꯨꯅꯥ ꯐꯣꯡꯗꯣꯛꯀꯅꯤ॥)

ꯂꯣꯜꯂꯣꯏ ꯂꯝꯗꯝ ꯏꯃꯊꯣꯡꯗꯥ॥ ꯍꯨꯌꯦꯜ ꯂꯥꯜꯗꯥ ꯈꯧꯁꯥꯕꯅꯦ॥ ꯅꯥꯄꯨꯕꯥ ꯂꯧꯊꯣꯡꯖꯥꯎ॥ ꯊꯣꯡꯖꯥꯎ ꯂꯥꯏꯔꯣꯛꯀꯂꯦꯜ॥ ꯂꯣꯜꯂꯣꯏ ꯂꯝꯗꯝ ꯏꯃꯊꯣꯡ॥ ꯈꯨꯔꯣꯏ ꯍꯥꯎꯔꯥ ꯂꯝꯃꯥꯡꯗꯣꯡ ꯑꯣ॥ ꯃꯤꯡꯊꯣꯜ ꯃꯤꯡꯀꯧꯈꯤꯕꯗꯤ ꯀꯔꯤ ꯇꯧꯈꯤꯕꯥ ꯅꯨꯃꯤꯠꯇꯒꯤꯅꯣ॥ ꯈꯨꯃꯜ ꯍꯥꯏꯅꯨ ꯊꯨꯝꯕꯥ ꯆꯅꯨ ꯁꯤꯡꯊꯥ ꯋꯥꯏ॥ ꯑꯗꯣꯜ ꯅꯣꯡꯌꯥꯏ ꯍꯥꯏꯅꯨꯅꯝꯄꯥ ꯆꯅꯨ॥ ꯁꯤꯡ ꯊꯥꯕꯥ ꯂꯝ॥ ꯃꯀꯨ ꯏꯕꯨꯡꯉꯣꯒꯤ ꯃꯆꯥꯅꯤꯄꯥ॥ ꯅꯣꯡꯌꯥꯏ ꯍꯥꯎꯀꯣꯛꯊꯣꯡ ꯇꯥꯎꯍꯨꯏꯌꯥꯡꯅꯥ॥ ꯄꯥꯃꯦꯜ ꯎꯌꯨꯡ ꯎꯕꯨ ꯁꯤꯡꯖꯜꯅꯥ॥ ꯁꯤꯡꯕꯤ ꯁꯤꯡꯂꯦꯜ ꯈꯥꯏꯅꯥ ꯄꯩꯅꯥ ꯊꯝꯕꯥ ꯂꯝ॥ ●

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-১০১

১) **“অশাংবা ৱারী অসি ১৯৮৯দা ইখিবনি। খোৎনীংবগী মিহুল অমদগী পঙখোৎ খোৎখিবা হায়বদুনি পঙফ ফগদবা মান্দে।”** ৱাহৈ পরেং অসি শক্লাইরবা অইবা অমগী মমিং লৈরবা লাইরিক অমগী ৱাহৌদোক্তা ইবনি। অইবা অসি কনানো? লাইরিক্কী মমিং করি কৌবগে?

২) **“অতোপ্পা লাষ্ট বস অমা”** হায়বা লাইরিক অসি করম্বা মখলগী লাইরিক্লো অমদি অইবগী মমিং হায়য়ু।

৩) **“লান্মী অহুম”** হায়না মিংথোনবা লাইরিক অসি মণিপুরীদা কনানা হন্দোকপগে? ওরিজিনেল রাইটর অমসুং লাইরিক্কী মমিং করিনো?

৪) **“তৎখ্রবা লংলা”** হায়রিবা লাইরিক অসি অইবা কনাগী লাইরিক্লো?

৫) **‘হেলোয়গী ৱাশক”** হায়বা লাইরিক অসি কনানা ইবগে? করম্বা মখলগী লাইরিক্লো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম নবেম্বর ১৫,ইরাই নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।